# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-06-2024)**

**এৱার্ড (এল)ঃ** সাহিত্য একাডমী ন্যু দিল্লিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোলশিংগী অইবা-অইবীশিংদা পীগদবা সাহিত্য একাডমী বাল সাহিত্য পুরুস্কার এৱার্ড ২০২৪ গী ওইনা সাহিত্য একাডমী এৱার্ডশিং পীনবা খনবদা মনিপুরদগী সাহিত্যকার অনি য়াওরক্লে।

মনিপুরি লোগী ওইনা সাহিত্য একাডমী বাল পুরস্কারগী মনা ক্ষেত্রিময়ুম সুবাদনিদা পীরগনি। মহাকা ইবা অঙাংগী লাইরিক-‘মালেম অতিয়া’ হায়বদুদা মনা অসি পীননবা খল্লকপনি।

মনিপুরি লোলগী সাহিত্য একাডমী য়ুব পুরুস্কারগী মনানা ৱাইখোম চিংখৈঙানবনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক ‘অশিবা তুরেল’ হায়বসিদা পীরকপনি। য়ুব পুরুস্কারগী মনা ফংলগদবা ৱাইখোম চিংখৈঙানবনা অসুমা ফোংদোক্লি।

**মৈ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওল লম্বলেন্দদা ঙরাং য়ুম অমা মৈনা চাকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পিগী চেরোল অমনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইখঙ খঙহৌদনা থোকখিবনি। য়ুম অদুগী অহানবা ফ্লোর খরা মৈনা চাকখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস অমসুং ফয়ার ব্রিগেটনা মৈ অদু কলহৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিস্তার তৌরে। মৈ অদু করমা চাল্লকখিবনো হায়বদু ঙমদ্রি। ইলেক্ট্রিক্ট সোর্ট সারকুইটতা চাল্লকপা ওইরম্বসু য়াই হায়রি।

**মীতিং(এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী পোলিটিকেল এফিয়ার্স কমিতি (পি.এ.সি) গী মীফম অমা ঙরাং ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা রাজ্য অসিগী জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা হৌজিক ওইরিবা মফম অদুগী

ফিভম অদু অথুবা মতমদা লাকশিনদুনা তংদু লৈতাবা পুরকবা তকশিনবা হায়নসু ৱারেপখি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী সেক্যুরিতি ফোর্স জিরিবাম জিলাদা মতিক চানা থমদুনা মফম অদুগী মীয়ামবু তেক্ত কায়দনা মাগী মাগী মফমশিংদা লৈহন্নবসু আপিল তৌরি। অথুবা মতমদা রাজ্য সরকারনা শান্তি হনজিলহনদুনা মীয়ামবু মহৌশাগী পুন্সিদা লৈহন্নবা হায়রি। হন্দক্তা নৌনা খল্লবা লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমবু মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি, পি.এ.সিগী মেম্বর ওইনা হাপখ্রে।

**জোবঃ** সরকারনা ইলেক্ট্রোনিক মেন্যুফেকচরিং সেক্তরদা লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা মীওই লিশিং ৫০ দা থবক পীনবা পান্দম থল্লি।

পাউ খরনা হায়-ইলেক্ট্রোনিক মেন্যুফেকচরিং সেক্তরদা হৌজিক হৌজিক মীওই লাখ ২৫ রোম থবক তৌরি। মসি শরুক অনি হেনগৎলকবা পান্দম থম্বনি। লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা সেক্তর অসিদা থবক পীবগী চাং হেনগৎহনদুনা লৈবাক অসি মশা মতোমতা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইনবা পান্দম থল্লি। ভারতপু ইলেক্ট্রোনিক মেন্যুফেকচরিংগী হব অমসু ওইহনগদৌরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা পি.এম. কিষান সমান নিধি স্কিমগী মখাদা থা অসিগী ১৮ দা লৌমীশিংদা লুপা কোতি লিশিং ২০ য়েন্থোক্লগনি। কেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট, এগ্রীকলচর অমসুং ফামরস ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-বরানাসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৩ লোমদা হায়রিবা শেনফমশিং অসি য়েন্থোক্কদবনি।

মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি তরাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ১১ দা লুপা কোতি লাখ ৩ য়েন্থোকখ্রে।

**অরুনাচল ঃ** অরুনাচল প্রদেসকী নৌনা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা পেমা খ

দুনা লুচিংবা মন্ত্রি-মন্দলগী পোর্টফোলিওশিং ঙরাং লাউথোকখ্রে।

অপুনবা মন্ত্রি ১২ না শাবা মন্ত্রি-মন্দল অসিদা মীওই ৯ দি নৌনা মন্ত্রি ফম অসি পায়বনি। রাজ্যগী উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবা চাউনা ম্যেননা শেল থুম, প্লানিং অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট অমদি পৱার পায়রগনি। হান্নগী রাজ্য বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-পসান দোজি সোনানা শিক্ষা অমদি রুরেল ৱার্ক পায়রগনি।

রাজ্যগী হকশেল অমদি য়াইফ যুম্বালগী মন্ত্রিনা দিয়ুরাং ৱাধেনা ওইরে অদুগা ৱানকি লুৱাংনা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ তিরাপ চংলাং অমসুং লোংদিংগী ফম পুরগনি।

**এক্সিদেন্টঃ** উত্তরাখান্দগী রুদ্রপ্রয়াগ জিলাগী রেনতোলি মনাক্কী ব্রাদিনাথ নেসনেল হায়ৱেদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা ঙরাং মীওই ১৪ শিরে।

পুলিসকী পাউনা হায়-যাত্রিকশিং তোংবা বস অমা লোকখাদা ওন্থবদা মীওই ১৪ অদু শিখিবনি, তরেৎনা অশোক অপন নংখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু রিসিকেসতা লৈবা এইমস হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। বস অদু মীওই ২৬ তোংলকপনি।

রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি জগদিপ ধনকম, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, উত্তরাখন্দগী রাজ্যপাল-গুরমিত সিংহ অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-পুস্কর সিংহ ধামিনা থৌদোক অসিগীদমক থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী নকবা মরি-মতাশিংদা লুপা লাখ অনি অনি অমসুং অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ গী ক্ষেতিপুরোন লাউথোকখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী কাংশোইবী মপান প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা রাজ্য থাক্কী লেট লাইরেঞ্জম সনাতোম্বী ইনাওচা লৈমা মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা য়াদা (এ) কাংশোইবীনা

এল.ৱাই.এ. থিনুংগৈবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা চথুরিবা চহি ১৫ মখাগী নুপাগী অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই.য়ু.সি-ওক্রম লৈকাইনা গ্রীনলেন্দ লিলোং হাউরৈবীবু পাঞ্জল ২-০ দা, লমজিংবা ক্লব-তেকচমনা অঙানবা এফ.সি. থোংজবু পাঞ্জল ১৪-০ দা, গোল্ডন এফ.এ. পেলেস কম্পাউন্দনা শিংজমৈ চিংঙামখা হায়স্কুলবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে অমসুং ডব্লিয়ু.এ.সি. ৱাইখোম লৈকাইগা পান্থোইবী এফ.সি. লংথাবালগা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনিমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

**রেসলিং(এল)ঃ** নাগপুরদা হন্দক পাঙথোকখিবা নেসনেল আম রেসলিং এন্দ পেরা আম রেসলিং চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ দা শরুক য়ারুবা মনিপুরগী শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি। শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইদা লৈবা য়াৱা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কদবা ওকপগী থৌরম অসি মনিপুর আম রেসলিং এসোসিয়েসননা শিনবনি। থৌরম অসিদা হান্নগী মন্ত্রি-ও. জয় শরুক য়াগনি।

## -নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ষ্টেট লৈঙাকা অথিংবা থমখ্রবা থোং শানবা পুরকপা পোৎলমশিং মৈ থাখ্রে, সি.এমগী জিরি খোঙচৎ তোকখ্রে, ইস্কোটশিং হনখ্রে, কুকিশিংগী শেলগী দিমান্দনা সেনাপতিদা চাকথুং গ্যাস ফংদ্রে হায়রিবা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মনিপুর রিভরদা নম্ফুদা থোং শাবগা মরী লৈনবা ৱাথোক লোইদ্রি হায়বা কল্লর হেদলাইনগী মখাদা থোং অসিগী ওইরমগনি চিংনবা য়োৎশিং পুরকপা ত্রক

মরিগী মনুংদা অনি মৈ থাদোকখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোম য়াওনা ফুরুপ মচাশিংগী অধারদা কুকি হাপকদবনি কিহল্লক্লে হায়না য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট-জয়চন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সুবদানিদা বাল সাহিত্য পুরস্কার, চিংখৈঙানবদা য়ুব পুরস্কার পীরগনি হায়না পাউ অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরদগী এ.আর. লৌথোক্লগা ন্যুত্রেন ওইবা ফোর্স থন্বীনবা পি.এম, হোম মিনিস্তরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। ঈশিং ঈচাও মতুংদা শগোলশিং পোনি ব্রিদিং ফার্মদা লৈবা য়াদবদগী লন্বীদা কোইচৎ চৎতুনা লৈরে হায়না পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মথং থা জলাই অমসুং আগষ্ট থাদা ইকং মায়োকরকপা য়াবগী চাউনা ওইথোকপা লৈ হায়না মনিপুর ন্যুজকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নাগা এরিয়াদদি কুকি রিফ্যুজিশিং তান্থোকপা হৌখ্রে হায়না কল্লর হেদলাইন তৌদুনা নাগা সি.এস.ওশিংনা কুকি রিফ্যুজিশিং মরমদা হলহনখিনবা হোম মিনিস্তরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

জিরিদা চৎলুবা ইস্কোটশিং ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে, চীফ মিনিস্তর বিরেনসু জিরি চৎতবা য়ানা লৈরে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন অনিমক্তা সি.এম. বিরেন জিরি খোঙচৎ তোকখ্রে, ইস্কোটশিং হনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কংগ্রেসনা জিরিবামগী ইরাং লোয়শিল্লু হায়না ফোংদোরকখিবা ৱাফম মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোই য়োকপশিংদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সেনিয়ার এদভোকেট অনি ৱার মেম্বরসিপতগী হায় কোর্টনা সসপেন্দ তৌখ্রে হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।